# হীদাক কান্নরবা পাম্বীশিং ঃ ঙাং

— ডা. হুইদ্রোম বীরকুমার সিংহ —
সি এস আই আর ঃ নোর্থ ইষ্ট ইনষ্টিট্যুট ওফ সাইন্স এন্দ টেক্নোলোজি, লম্ফেলপাৎ






***মীয়াম্না*** থোইদোক্না পূক্লিং চঙলুদ্রবসু ঙাং হায়রিবা পান্বী অসি মীওইবদা থোইদোক্না কান্নবা পীবা পান্বী অমনি। ঙাং পান্বী অসি ইংলিসতা ইন্দিয়ান প্রীক্লি এশ ত্রী (Indian prickly ash tree), মলায়লমদা কোথুমুরিকু (Kothumurikku) নৎত্রগা মুলিলাম (Mullilam) নৎত্রগা মুলিলাভু (Mullilavu), কানারাদা এরেম্পালা (Arempala) নৎত্রগা জুমিনা (Jummina), সাইন্টিফিক নৎত্রগা বোটানিকেলগী ওইবা মমিংদা *জান্থোজাইলম রেসতা (Zanthoxylum rhetsa (Roxb.) DC)* নৎত্রগা *জান্থোজাইলম বুদ্রুঙ্গা (Z. budrunga (Roxb.) DC)* হায়না কৌই অমসুং *রুতেসী (Rutaceae)* শাগৈগী মনুং চল্লি। ঙাং অসি মুকথ্রুবীগা শাগৈ অমসুং কাঙলুপ মান্নে।

ঙাং পান্বী অসি মনা কেনগনবা (Deciduous) অদুগা মশা পূম্নমক্তা য়াম্না থৌবা অচৌবা তিঙ্খংশিং কুঙনা পানবা ময়ায় ওইরপ্না চাউবা উ পান্বী অমনি।

পাউদম অমগী মতুংইন্না ঙাং পান্বী অসি ইন্দো-মলায়ানগী লমদমশিংদা শন্দোক্না হৌই। মহৌশাগী ওইনা ঙাং পান্বী অসি নোংপোক থংবা এসিয়াগী লমদমশিং ইন্দিয়া, বংলাদেশ, ম্যান্মার, শ্রি লঙ্কা, থাইলেন্দ, মলেসিয়া, চাইনা, ফিলিপিন্স, ইন্দোনেসিয়া, ভিয়েটনামনচিংবা মফমশিংদা হৌই। পান্বী অসি খরা নেমতক তৌবা চীং অমসুং তম্পাক্কী লমদমশিংদা অতোপ্পা পান্বীশিংগা তোৎননা হৌই। শ্রি লঙ্কাদদি ঙাং পান্বী অসি পাক শন্না থাবগী পাউদম লৈ।

ঙাং পান্বীগী মহে অসি ঙাংশং ঙাংই অমসুং খূৎনাওবী তংখাইমুক চাওনা চবুন ওইনা পাল্লি। পান্বী অসিগী মনা অসি নৌরিঙৈ মতমদদি য়াম্না শাংবা তিংখংশিং কুঙনা পাল্লি অমসুং মনম চেল্লি। মহে অসিগী মকু অসিদা মনম য়াম্না কনবা ৱাওথাংনবা মচুগী ইসেন্সিয়েল ওইল হায়রিবা থাউ মখল অমা য়াওই। পাউদম অমগী মতুং ইন্না হায়রিবা থাউ অসিদা কম্পাউন্দ মখল ৩৪ য়াওই। মরুওইবা কম্পাউন্দশিং অদুদি - Terpinene-4-ol চাদা ৩২.১, $\alpha$–terpineol চাদা ৮.২, Sabinene চাদা ৮.১, $\beta$–phellandrene চাদা ৭.৪, 2-undecanone চাদা ৭.১ অসিনচিংবনি। ঙাং পান্বীগী মনাদা য়াওবা অলকালোইদ ৩ অদুদি - Pseudophrynamine, 2- (2, 4, 6 - trimethyl heptenyl) - 4- quinozolone অমসুং Lunacridine নি। ঙাং পান্বীগী মরাদসু Hydroxy $\alpha$– sanshool, $\beta$–phellandrene, $\beta$–pinene, Pipertone, Mullilam diol, Glycosine, Rutaecarpine অসিনচিংবশিং য়াওবগী পাউদমশিং লৈ। পাউদম অমগী মতুংইন্না ঙাং পান্বীগী মরুদা Phenolic content কী চাং অসি 338.77 mg GAE/100 g নি।

ঙাং পান্বীগী হীদাক্কী ওইবা মগুণনশিং অসি থোইদোক্না শীংথানিংঙাই ওই। ঐখোয়গী লমদম মণিপুরদদি ঙাং পান্বীগী তিংখং অসি ফজনা শুগাইরগা য়ারিদা থোমদুনা য়া চীকপা লায়েংনৈ। ঙাং উগী মকু অদু কুপ্না শুগাইরগা লুম্বু লুম্বু শাবা ঈশিং খরগা থকচিন্দুনা থবাক নাবা-খেবা অসি লায়েংনবগী পাউদম লৈ। ঙাং পান্বীগী অনৌবা মখোক্কী মকু অদু কুপ্না শুগাইরগা বেন্দেজ অমগুম্না থোম্লগা য়েত্তুনা লিননা চীকপদা লায়েংদুনা লাক্লি। বিজ্ঞানগী পাউদমশিংগী মতুংইন্না ঙাং পান্বীগী মহৈগী মকু অদু চাবা তুমদবা, পুক নুংশিৎ কাবা, শীংলি নাওরি মপাঙ্গল কনখৎহনবা, হরা-কংখু তৌবা, তাং চাওথোক্তুনা চীকপা-নাবা তৌবা ফহনবা ঙম্বগী মগুণশিং য়াওই। ঙাং পান্বীগী মনাদা য়াওবা থাউ (ইসেন্সিএল ওইল) অসি য়াম্না কুইরবা মতমদগী কোলেরা লায়না অসি লায়েংদুনা লাকপগী পাউদমশিং লৈ। হায়রিবা থাউ অসি উনশাগী মখল কয়াগী লায়নাশিংদসু থোইদোক্না কান্নবা পীবা ঙম্মী। পাউদম অমগী মতুং ইন্না ঙাংগী মরুদগী লৌবা থাউ অদু খুহীং থুংবা অমদি উনশা মথা মথা পোমখৎপদা তৈবদা থোইদোক্না কানহল্লি। হায়রিবা থাউ অসি চাং নাইনা তৈবদা কোক্তা লৈবা লুপৌ অসিসু ফহনবা ঙম্বগী পাউদমসু লৈ। ঙাং পান্বীগী উগী মকু অদু শুগাইরগা ঈশিং অফবদা অহীং অমা তীংদুনা লৌবা মহী অদু পীথক্তুনা লোক থুংবা, খোং হামথবা, কোক চীকপা, ওবা অসিনচিংবশিং লায়েংবা য়াই। ঙাং মহে অসি মীওইবগী চানিং থক্লিংবা হেঙ্গৎহল্লি।

ঐখোয়গী লমদম মণিপুরদদি ঙাংগী অনৌবা মতোন অদু চমফুৎ ফুত্তুনা চানৈ। মহৈগী মকু অদু শা-ঙা থোংবদা মচল অমা ওইনা থাক্লে। ঙাংগী অরিবা তীংখং অদু ইৎলগা উরিক অমগুম শিনৈ। লৈবাক খরদদি ঙাংগী মনা অদু য়ু শুংবদা মচল অমা ওইনা হাপনৈ। শ্রি লঙ্কাদদি ঙাং পান্বী অসি পাক শন্না থাদুনা চাইনা অমসুং ইরান্দা মরু মরাং অমা ওইনা থাদোকই। চাইনাদদি ঙাং অসি শা থোংবদা পাম্না শীজিন্নৈ।

## এদিটরদা থারকপা ৱাকৎ, মীয়ামগী খোল্লাউ, পাউদম অমসুং অতৈ-অতৈ

### খন্থহৌদবনা পিরাংদি শোয়ররোই

*ইকায়খুম্নজরিবা এডিটর,*

***শুবদা*** লাইরেক্কনু, শোয়দনমক্কী থাশিদগী পুর্ণিমা লাকপা খঙহৌরোই। মীনা ইনাক খুল্লগা নঙনা কল্লকউরবা কানবা থবক নত্তে। নখোঙ, নখূৎ তেক্ত্রবা, নমিৎ অনীমক উরবা, ননা অনীমক তারবা লায়না, তীলনা পক্ত্রবা মসিদগী হেনবা অতৈ করিসু লৈত্রবনি। ইনাক কৈরাক খুল্লিদা হায়রিবা ইমুংদুদা মীয়াম্না কিনরবা মমিং ফাওবা পনবদা হঙ্গৈইনরবা লায়না অমা চাকথুঙ ওইনা লাকপদা নুঙাইবগী মহুত্তা অৱাবা অমা অদুমক লোইনদুনা লৈদৌরিবনি। ঙা থোংবা চারে, ফৌরেন মুবীগী চাক থোংলে মহাউ লৈররোইদবনি। ফীভমসিমক য়াওদবা নত্তে, য়াওরিবা পোৎনি। লৈতবা নঙগীদমক্তদি লায়না তীলনা পক্তবা মীওই অমা ওইনা শুগনি-নোমগনি খন্দুনা হিংদবা য়াদে হিংখিগনি খন্দুনা নিংহন্নবা লৈতনা হোৎনবা মসিমক লক্ষ্মী ইমা ইবেম্মনা চানবীবা হায়বদু ওইদনিঙাই লৈরোই। ৱারম্বদগী নুঙাইরকপা পুন্সি কোন্ননা অদুমক লেংদবা হায়বদু ওইদৌরিবনি।

নুঙাইরম্বদগী লায়রবা ওইরকপা ওইররোইদবা ৱানি হায়বা য়াবা নত্তে। লায়না তীলনা লৈতনা চাক-এঞ্জাংগী মহাউ ফজনা খঙলিবা মহাক অদুসু লাই নীংবদা তল্লবা শোয়দনা লফু কাবা তাদৌরিবনি। মপান দগী লাকপা মীয়ানচা কয়ানা ইরমদম লমদমসিদা লাক্লগা শুগনি-নোমগনি খন্দুনা ইকায়বা কয়া অমা থাদোক্তুনা হিংনবগী লম্বীদা অহিং-নুংথিল তূমদবা মখৈ শুরগা নোম্লগা শোয়দনমক্কী পৈশা ফংগনি খনবা, মসিনি মখোয়গী লাইনীং হায়ববু।

ইম্ফাল ময়োলগী কৈথেল অচৌবা খ্বাইরম্বন্দ, মসিদা অয়ূক অঙনবদা পোৎ থাংদোক-থাংজিন তৌরিবা মীয়ানচানা মশীং অদুমক হেল্লবনি। ইরমদমসিদা পোকপা লমদমসিগী লৈহাওদা চাওরল্লবা, মীওই খরা নত্তনা অতৈদি মখোয়না মশীং অদুমক য়াল্লবনি। চহী খরগী মতুংদা শোয়দনমক্কী পৈশা পায়রগদবা, মহাজোন ওইরক্কদবা শোয়দনা য়াওরমগদৌরিবনি। ময়ূমদগী লমদমসিদা লাকপদা লুপা কয়া পুরকপা, গাড়ী অতোংমল খরা, চানবা চাকশেল খরা পুরকপা নৎতনা পুরল্লক্লোইদৌরিবনি।

অৱাবগী, লৈরক্তবগী মৈরিনা মৈৱাইরবা মপান লমদগী চঙলক্লিবা মখোয়গুম্না হোৎনবদা কনানা করিসু হায়রল্লরোইদবসিদা অচোপ-অরেম, ইকায়-ইকিদা অরৈবা শাদুনা নিঙাইদনা লৈথোক্লিঙৈদা নোংমা নোংমগী মহাম তারকপা নত্তনা করিসু লাক্লরোইদবা, মসিমা ঐখোয়দা শোয়দনা লাইচুদৌরবনি। মসিগী লায়নাসিদি ডোক্তর বাবুনা য়েংলবসু ফগদবা লৈত্রবনি।

অতনবা মীগী হীদাক লৈতে হায়বা অহল-লমনশিংনা হায়নবা ঙসি ফাওবা লৈরিবসিনি। শুবা নোম্বদা তনবা কৌবদা লৈত্রবা, অতনবগী লায়না মচেৎ অমা ফাওবা পক্ত্রবা মীয়ান মচাশিংনা লমদমসিগী লৈহাওদা চাউরল্লবী চনুরা কয়া লৌদুনা য়ূমলেপ চারা তল্লকপা করম্না লৈতে, য়াওদে হায়গনি। মসিসু তাথবগী মহুত্তা হেনগৎপদনি। পূম্ন মকসি করিদগী করম তৌনা ওরকখিবা? খন্থরুবদা পেল্লিদা হায়বদি য়াররোই।

চৎনবীগী মতুংইন্না তাইওন্নবা অমদা ফিজেৎ চাকচা হোংখিবা নত্তনা করি লৈদৌরি? মখোয় অনীগী মচা অদুনা চাউরক্কনু হায়বদি য়াদবনিনা শোয়দনমক্কী পাখঙ-লৈশাবী ফারক্কদৌরিবনি। লমদমসিগী চনুরা ওইবী মহাক্তু মীয়ান মচাদুনা মাগী পোক্লফমদা নোংমদি শোয়দনা পুগদৌরিবনি। নমদুনা পামদা পামদনা করিনুংগীনো খন্দুনা নুংশুক নুংজাননা চৎকদৌরিবনি।

থিদুনা হুমদুনা য়েংবদা মশীং অমা অনীদগী শোয়দনমক্কী হেনগদৌরবা মসিবু ৱাখল লেপ্পা ঙমদবা লমদমসিগী চনুরা ওইবী মহাক্না করম্বা ৱাখলদা করিদা খন্থরুবদা অশোয়বা ওইনবগী লম্বীদি ঐখোয়না মখোয়বু পৈশা ফংনবনি হায়দুনা অশানবা য়ূমদা থল্লুবগী মসিনসু মরম অমা ওইদৌরিবনি।

পূম্নমক করিদগী করম তৌনা ওইরকখিবা নৈনদুনা লোইবা নাইররোই। শুবা নোম্বদা ইকায় ইকিবু পক্ত্রবা চাকখাওদি নমদনা অদুমক মবুক থল্লগদবনি। মসিমক্তি মীরান মচাশিংনা লাইনীং ওইরিবা হায়ববু।

মপান্দা লাইরিক লাইশু তম্বা, থবক ইনখাং তৌবা কয়া, মীয়ান মচাদা ময়ূম পানখিবা মশীং থিবদা ৱাদুনা তোক্কদবতনি। মাগী মপুরোইবদুগা নোংমদি ইরমদম লমদম লমনুংশি সনা লৈবাকসিদা লাক্তনিঙাই লৈরোই।

মতমদুদা শাগৈ-নাতৈ, মমা-মপা ওইবশিংনা হরাউগদ্রা? নৎত্রগা করিনো খনগদৌরিবা? পূম্নমকসি খন্থবা ৱাৎহৌবা অমদি করি তৌগবনো খনবদগী ওইরকখিবনা অয়াম্বা ওইবনি। মপান লমগী ৱারীনা অমরোমদা থমখ্রগা লমদমসিদা লৈনা লৈনা মীয়ান মচাদা য়ূমলেপ চারা তল্লিবা, মসিনি য়াম্না লুরক্লিবসি।

*অদোমগী - হেমজিৎ ইরোম্বা*
*খুরাই লাইৱাংবা মমাঙ লৈকায়*

### হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-৪৭

১। মখাগী অরিবা লোনশিংসিগী ৱাহন্থোক পীয়ু ঃ
(ক) লুফুই (খ) লময়ায় কাইদা খিনবা।

২। ‘‘তম্পাকলৈমা শংবানরবা পাক্লবা ঈশিং ঈপাক্কা নোংমদোনগা শম্নরিবা নোংখোঙ পরেংদুদা মুন্না য়েংই।’’ পরেংসি ৱারীমচা ইবা কনানা হায়বনো?

৩। ‘‘হিংলিবনা কনা, শিরিবনা কনা, মহাক অমতা খঙলক্ত্রে। মফম অদুদা লেপ্লিবা মীশিং অদু মাগী মমিত্তা লৈ মনা অমমম ওইনা উরকই।’’ ৱাহৈশিং অসি করম্বা ৱারীমচাদগী লৌথোকপনো?

৪। বঙ্কিমচন্দ্রগী ‘ধর্ম্ম তত্ত্ব’ মণিপুরীদা কনানা হন্দোকপনো?

৫। ‘অমেরিকাগী খোঙচত্তা’ লমকোয় ৱারীসি কনানা ইবনো?


ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম মার্চ ৩০, শগোলশেল নুমিৎকী অয়ূক পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা ঈ-মেল hueiyenliteraryquiz@gmail.com সিদা মেল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ। ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী ড্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা খুদোলপোৎ পীজগনি।

### ময়োল থোকপা লাই




### জাতক্কী শৈরোল

মৈতৈলোন্দা ইথোকপা : বি জয়ন্তকুমার শর্ম্মা



### চাক থোংবা

‘চাকপু থোংল’ পুরকউ চেঙবু য়াওবা য়ারোইদো;
ঈশিং কোল্লীক, লৈরঙ, মৈ ’মত্তা শীজিন্নরোইদো।
থোংবা য়ারোই শীংনবু লাকপা য়ারোই লম্বৈলদা;
পুহল্লকপা য়ারোইদো নুপা নৎত্র’ নুপীদা।’’
লম্বোইবনা হায়রকই, ‘‘চগেম্নবু থোংলুরো;
চেঙ নত্তে অদুদি। উন্না মহী ওইরুরো,
ঈশিং নত্তে মদুদি; চফুদবু থোংলুরো
কোন নত্তে মদুদি। উতেক ’মদা থাঙ্গৎলো,
লৈরঙ নত্তে মদুদি; মৈব্রা চিংনা থাগৎলো;
মৈ নত্তে মদুদি। থোংববুদি লোইরগা,
অশম লম্বী থিরগা নৌপুংশক্লা পুরগা,
নিংথৌদবু কৎলুরো।’ ‘সুম্না থোংবা লোইখরে;
করম থোংবা হঙ্গৎল’ নিংথৌদবু কৎখরে।